# পুটিননা বঙ্কর অমদা লৈদুনা টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক চখনবগী মরু ওইবা ৱারেপ লৌননবা শেম শারি: রিপোর্ট

লন্দন, ওক্তোবর ৪ (এজেন্সী):
রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা মোস্কোগী ৱাংমদা বঙ্কর অমদা লৈদুনা টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক চখবগী মতাংদা মরু ওইবা ৱারেপশিং লৌননবা শেম শারি হায়না মেদিয়া রিপোর্ট খরনা হায়রি।



দেলি মেলগী রিপোর্টনা হায়, ইরাই নুমিত্তা মশাগী চহী ৭০ শুরগদবা পুটিননা জিমনাষ্ট পার্টনর অলিনা কাবেবা (৪০) য়াওনা খ্বাইদগী নকপা ইমুংগী মীওইশিংদা য়াম্না থুনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকপগী তঙাই ফদবগী মতাংদা চেকশিন ৱা খঙহনখ্রে।

জেনরেল এসবিআর চেন্নেলগী মতুং ইন্না রসিয়ন প্রসিদেন্ট অসিনা বঙ্কর অদু নোংচুপলোমগী এটেক্তগী সেফ ওইবা মফম ওইগনি হায়না থাজৈ অমদি মহাক্কী সেক্যুরিটি এপরেটস অমসুং গভর্ণমেন্টগী টোপ ওফিসলশিং অরোনবা মফম অদুদা পুশিল্লগনি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তারি।

ওইরল্লিবা ফিভম অদুবু পুটিনগী সার্কল মনুংগী নোলেজদা যুম্ফম ওইবা ৱাফমনি হায়না ক্লেম তৌরিবা এন্টি-ক্রেমলিন আউটলেট অসিনা মতম শাংনা মহাক হকচাংগী অরুবা প্রোব্লেম কয়া লৈরে হায়না ক্লেম তৌদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং আউটলেট অসিনা ক্লেম অসিগী মতাংদা প্রুফ পীবদি লৈতে।

সাইবেরিয়াদা পুটিনগী বঙ্কর কয়া লৈ হায়না থাজনরি। বঙ্করশিং অদুগী মনুংদা অমদি য়ামল পেনিন্সুলাগী সবেটাদা লৈবা অচৌবা অনৌবা লিক্যুইট টেষ্ট টর্মিনেলগা শম্নবা বঙ্কর অমনি অদুগা অতোপ্পা অদুনা এপ্লাই মোর্টেস্সতা লৈ হায়রি।

দেলি মেলগী রিপোর্টনা চেন্নেল অদুগী অনৌবা রিপোর্ট পল্লদুনা মখা তানা হায়, হেদস ওফ ষ্টেটকী মরুপ মপাংশিং অমসুং মরী মতাশিং মাঙজৌননা বঙ্কর অদুদা থমগনি। অলিনা কাবেবাগা লোয়ননা মখোয়গী অঙাংশিং অমদি মচানুপী অনীগা লোয়ননা মখোয়গী মচাশিং অমসুং লৈমিন্নরিবা অতৈশিংদা য়াম্না থুনা হোংদোক্তবগী তঙাই ফদবা লৈরে হায়না চেকশিন ৱা খঙহনখ্রে। তৌইগুম্বসুং রসিয়াগী লিদরশিপতা য়াওরিবা খুদিংমক লক্কি ওইদে হায়রি। খুদম ওইনা পুটিননা করিগুম্বা ন্যুক্লিয়র থ্রেট অমা লাকপা মতমদা রসিয়ন ওফিসলশিংগী মনুংদগী শুপ্পগী মথৌ তাবা ওফিসল খরদমক বঙ্করশিংদা হোংদোক্লবা ওর্দর তৌরবা য়াই।

হায়রিবশিংদুগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর মিখাইল মিসুষ্টিন অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর য়াচেসলা বোলোদিন য়াওরি। মহাক্না ন্যুক্লিয়র থ্রেটকা মরী লৈননা থুনা ইভাক্যুয়েসন তৌগদবশিংদুগী মনুংদা প্রোজিক্যুটর জেনরেল, সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী লিদরশিপসু য়াওগনি। তৌইগুম্বসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট দমিট্রি মেদবেদেবতি য়াওররোই। মহাক্কী প্রসিদেন্সিএল এদমিনিষ্ট্রেসন, সেক্যুরিটি অমসুং স্পাই সার্ভিস অহুম, এফ এস পি, এফ এস ও, এস পি আরগী মরু ওইবা ওফিসলশিং অমদি মখোয়গী ইমুংশিংসু ইভাক্যুয়েসন অদুদা য়াওগনি। উরলস য়াওনা মফম কয়াদা মহাক্কী দিফেন্স মিনিষ্টরগী তোঙান তোঙানবা বঙ্করশিং লৈ হায়রি।

অমরোমদা, রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং পান্নরিবা দিভিজনগা মরী লৈনবা স্পিসিএলিষ্ট মিলিটরি ইক্কিপমেন্ট উবা অচৌবা ফ্রাইট ট্রেন অমা চেনবগী ফুটেজনা যুক্রেনগী কনফ্লিক্ট অদু প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগী ফোর্সেসনা চাওথোকহল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরে হায়না রিপোর্ট খরনা হায়রি।

প্রো রসিয়ন চেন্নেল রাইবারনা নোংমাইজিং নুমিত্তা টেলিগ্রাম মেসেজিং এপতা থাগৎলকপা ত্বিট অমদা বিপিএম-৯৭ আর্মর পার্সনেল করিয়র (এপিসি) অমদি অতৈ মিলিটরি ভেহিকলশিং সেন্ট্রেল রসিয়া ফাওবা উই হায়না দেলি মেলগী রিপোর্টনা হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়ানা জপানগী নোংথক লান্না আই আর বি এম কাপখ্রে: সাউথ কোরিয়ন মিলিটরি

সিওল, ওক্তোবর ৪ (এজেন্সী):
থা নিপানগী মনুংদা অহানবা ওইনা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা জপানগী নোংথক লান্না ইন্টরমেদিয়ট-রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল (আই আর বি এম) অমা কাপখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা হায়রি।




সাউথকী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ (জেসিএস) না হায়খি, মদুদি লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৭.২৩ রোম তাবা মতমদা অৱাং থংবা প্রোভিন্স জগাংদা লৈবা মুভয়োং-রিদগী লোঞ্চ তৌখিবা মিসাইল অদু দিটেক তৌবা ঙমখি অমসুং মিসাইল অদু মার্ক ১৭ গী টোপ স্পিদতা কিলোমিটর ৪৫০০ পাইখি।

মখোয়না মখা তানা হায়খি, মদুদি মিসাইল অদু জপান লান্না পাইখি। সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসকী ওথোরিটিশিংনা মিসাইল অদুগী অকুপ্পশিং ভেরিফাই তৌননবা অকুপ্পা এনালাইসিস অমা চথরি।

মমাঙদা হৌখিবা জনুৱারীদা পিওংয়াংনা আই আর বি এম অমা কাপখিবনি। ৱাংসোং ১২-টাইপকী মিসাইল অদু কিলোমিটর ৮০০ ফাওবা পাইখি অমসুং মদুগী টোপ অলটিট্যুটনা কিলোমিটর ২০০ ওইখি।

জেসিএসনা সাউথ কোরিয়াগী ন্যুজ এজেন্সি য়োনহাপতা ফোঙদোরকখিবদা নোর্থ কোরিয়ানা পরিং নাইনা বেলেষ্টিক মিসাইলশিং কাপ্পুনা কায়হৌবগী থৌওংশিং লেপ্তুনা চথরিবা অসিনা সাউথ কোরিয়া-য়ুএস এল্লায়ন্সকী রেস্পোন্স কেপেবিলিটিশিং অমসুং দিটরেন্স হেন্না কনশিলহল্লগনি অমদি নোর্থপু ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদগী হেন্না নাইতোম তাহল্লগনি।

জেসিএসনা লোঞ্চ অদুবু অচৌবা কায়হৌবগী থৌওংনি হায়না পল্লদুনা মদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভমদা শোকহনবদা নত্তনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী ইংনা চিক্না লৈমিন্নবগী ফিভমদা শোকহনগনি অমদি মদু য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসনশিং খোঙ্গাওনবগী ময়েক শেংলবা থৌওংনি হায়খি।

লোঞ্চ অদুগী মতুং মতম ইকান কান্নদনা জে সি এসকী চিয়ারমেন জেনরেল কিম সুং-কয়ুম অমসুং সাউথ কোরিয়া-য়ুএস কম্বাইন্দ ফোর্সেস কম্মান্দগী কম্মান্দর জেনরেল পোল লাকামেরনা ভার্চুয়েল কন্সলটেসন চথুদুনা নোর্থ কোরিয়ানা কিহল্লকপশিং অমসুং কায়হৌরকপশিংগী মায়োক্তা মীচং লৈবাক অনীগী অপুনবা ঙাকশেলগী ফিরেপ হেন্না চেৎশিলহল্লগনি হায়না নৌহৌননা ফোঙদোকখি।

# কোভিদ লাকশিন্নবগী থৌরাংশিংনা মরম ওইদুনা টিবেটতা মীওই কয়া সুইসাইদ তৌনরে

লাসা, ওক্তোবর ৪ (এজেন্সী):
হন্দক্তা পব্লিক এপোলোজি অমা ইস্যু তৌখিবা লৈরবসু টিবেটকী কেপিটেল লাসাদা চাইনিজ ওফিসলশিংনা কোভিদ ১৯ গী অথিংবা কয়া থল্লিবদুদা শীংথানিংঙাই ওইবা অহোংবা অমত্তা লাকহনবা লৈতবদগী হৌখিবা চয়োল অসিদা সিটি অসিদা মীওই কয়া সুইসাইদ তৌনখ্রে হায়রি।



শুপ্নগী নুমিৎ নীনিগী মতমদা লাসাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমদি মসিগী সাববশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই মঙা বিল্ডিং মথক্তগী চোংথদুনা শিজখি হায়না ইন্টরনেসনেল কেম্পেইন ফোর টিবেট (আই সি টি) গী ছোর্সশিংনা হায়রি।

টিবেটানশিংগী দিমোক্রেটিক ফ্রিদমশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটশিং প্রমোট তৌবা এদভোকেসি গ্রুপ অমা ওইরিবা আই সি টিনা হায়, ওইরল্লিবা ফিভমশিং অসিবু ইন্টরনেসনেল কেম্পেইন ফোর টিবেটনা হকচিন্না লৌই অমসুং চাইনিজ গভর্ণমেন্টদা শুপ্নগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি লেপ্নবা অমসুং টিবেটানশিংবু মখোয়গী পেন্দবশিং ফোঙদোকপগী খুদোংচাবা পীননবা তকশিল্লি।

টিবেটতা কোভিদকা মরী লৈননা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা চথরিবা মিসমেনেজমেন্টগী থৌওং অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা অৱাবা চৈথেং কয়া পীরি। ওথোরিটিয়ন পুলিস ষ্টেটশিংনা মীয়ামদা মখল কয়াগী অথিংবশিং পীদুনা লৈরে হায়না আই সি টিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৩ অমসুং ২৪ গী মরক্তা থোকখিবা সুইসাইদকী থৌদোক মঙা কুপ্না এনেলাইসিস চথবা মতমদা থৌদোক খুদিংমক চাইনাগী জিরো-কোভিদ পোলিসিগী অকনবা রেষ্ট্রিক্সনশিংগী মখাদা কা হেন্না অৱাবগী ফিভমশিং মায়োক্ন রকপগা মরী লৈনৈ হায়বগী ইঙ্গিৎ ফঙখি।

কোভিদ লোকদাউন মরক্তা অদুক্কী মতিক কন্ট্রোল তৌবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবগী সাইকোলোজিকেল ইম্পেক্ট অদুনা টিবেটান মঙামক বিল্ডিংশিংগী মথক্তগী চোংথরগা শিজখিবনি হায়রি।

থা অনীরোমগী মমাঙদা কেপিটেল লাসাদা কোভিদকী অনীশুবা ৱেব লাকখিবদগী কেপিটেল সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা বৈজিংগী জিরো-কোভিদ পোলিসি চৎনহন্নবা হোৎনবদা মখোয়গী কোভিদ রেস্পোন্স শেরান্ননা হেন্দল তৌখি। কোভিদ মিসমেনেজমেন্টগী পাউ শন্দোরকপা থিংনবগী খোঙথাংশিং কনশিলহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা সেক্সন খুদিংমক্কী টিবেটানশিংনা মখোয়গী পেন্দবশিং ইফোঙ ফোঙনা ফোঙ-দোক্লবগা লোয়ননা কোভিদকী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং অদু চৎনবা লেপহন্নবা হায়জখি।

# ষ্টামপেদকী মতাংদা থিজিন্নবা ইন্দোনেসিয়ানা ফেক-ফাইন্দিং টিম অমা শেমখ্রে

জকারটা, ওক্তোবর ৪ (এজেন্সী):
হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইষ্ট জাবা প্রোভিন্সতা ফুটবোল মেটচ অমা লোইরবা মতুংদা থোকখিবা মীশি মীনা কয়া য়াওখিবা মীয়াম নেৎশিন্নবা অমদি ইন্নবগী থৌদোক্কী মতাংদা থিজিন্ননবা ইন্দোনেসিয়াগী ওথোরিটিশিংনা ইন্দিপেন্দেন্ট ফেক-ফাইন্দিং টিম অমা শেমখ্রে।

পোলিটিকেল, লিগেল এন্দ সেক্যুরিটি এফিয়র্সকী কো ওর্দিনেটিং মিনিষ্টর মহাফুদ্দ এমদিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ফেক ফাইন্দিং টিম অদুবু লুচিংলিবা মিনিষ্টর অসিনা ভার্চুয়েল প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি, মদুদি মীওই ১২৫ শিখিবা অমদি য়ামদ্রবদা অতৈ মীওই ৩২০ অশোক অপন নঙখিবা ইন্নবা অমদি নেৎশিন্নবগী শাথিরবা থৌদোক অদু করম্না থোক্লকখিবনো হায়বদু খঙদোক্লবগী থবক প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা টিম অদুদা হকথেংননা শীন্নখি। টিম অদুনা থৌদোক অদু কনানা থৌদাং লৌফম থোকপগে হায়বদুসু লেপকদবনি।

মহফুদ্দনা হায়খি, মদুদি টিম অদুনা শাংলবদা থা অমা চুপ্পা থবক তৌগনি। মখোয়না থিজিনবগী রিজল্টশিং অমদি রিকমেন্দেসনশিং অদু প্রসিদেন্টদা হকথেংননা রিপোর্ট তৌগনি।

মহাক্কী মতুং ইন্না টিম অদুদা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ইন্সটিট্যুটশিং, প্রোফেস্নেল ফুটবোল ওর্গনাইজেসনশিংগী ওফিসলশিং, ওবজার্বরশিং, একাদেমিকশিং অমসুং মাস মেদিয়াগী মীওইশিংনা মেম্বরশিং ওইনা য়াওগনি। টিম অদু শেম্বদা নত্তনা প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা লৈবাক অদুগী পুলিস অমদি মিলিটরি ইন্সটিট্যুসনশিংদসু থৌদোক অদুদা চেন্নখি হায়বা মখোয়গী ওফিসারশিং অমসুং লান্মীশিং ইকায় খুম্নবা উৎতুনা প্রোব চথনবসু ইন্সট্রক্সন পীখ্রে।

লোকেল রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না পুলিসনা মীয়ামদা টিয়র গ্যাস কাপ্পদগী ভাবকশিংনা মীপায়নরকপদগী কোইচেন চেন্নখিবগা লোয়ননা ষ্টেদিয়ম অদুগী একজিটশিংগী মনুংদা অমদা ইন্নবা অমদি নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না মীয়াম্না থাজনবগা লোয়ননা ইন্দোনেসিয়াগী পুলিসপু থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না পেন্নদ্রে হায়রি। নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা নেসনেল পুলিসনা মসিগী মরী লৈনবা রিজনেল ষ্ট্রকচরেল ওফিসরশিংগী মায়োক্তা অকনবা দিসিপ্লিনরি খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়না মহফুদনা ফোঙদোকখি।

# সুইসাইদ বোম এটেকশিং সোমালি লিদরশিংনা কন্দেম তৌখ্রে

মোগাদিসু, ওক্তোবর ৪ (এজেন্সী):
সোমালিয়াগী সেন্ট্রেল টাউন বেলেটৱেনেদা চথখিবা সুইসাইদ বোম এটেক অনীনা শিখিবা মী মশিং ১৫ শিখিবগা লোয়ননা এটেকশিং অদুবু সোমালি লুচিংবশিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।



সুইসাইদ বোম এটেক অনী অদুদা অতৈ মীওই ২৬ সু অশোক অপন নঙখিবনি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটমেন্টশিংদা প্রসিদেন্ট হাসন সেখ মহমুদ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর হমজা অব্দিবারেনা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংদা এন্টি-টেররিজম থৌরাংশিং কনখৎহন্দুনা লৈবাক অদুদা সেক্যুরিটি লৈহন্নবা দিরেক্সন পীখি।

মহমুদনা ব্লাষ্টশিং অদুদা লৈখিদ্রবা সোমালি সিটিজনশিং অমসুং মরী মতাশিংদা মীশি মীনাশিং অদুগা মরী লৈননা অৱাবগী পাউজেলশিংসু থাখি। সুইসাইদ এটেকশিং অদু হিরসাবেলে রিজনেল এদমিনিষ্ট্রেসন হেদ কার্টর ওইরিবা লঙ্গালে বেজতা লৈবা লোকেল ওফিসলশিংদা টার্গেটি তৌদুনা চথখিবনি।

মহাক্না অশোকপশিং য়াম্না থুনা ফগৎলকপা ওইরবসু হায়খি অমসুং গভর্ণমেন্টদা অরুবা ফিভমদা অশোক অপন নঙলবশিংদা খুদক্তঙা মেদিকেলগী মতেং পীননবা দিরেক্সন পীখি। সেন্ট্রেল সোমালিয়াগী হির সাবেলে ষ্টেটকী ইন্টরিম এদমিনিষ্ট্রেটিব টাউন অদুগী লোকেল এদমিনিষ্ট্রেটিব প্রেমিসেস নিকহনখিবা সুইসাইদ বোম এটেক অনী অদুদা শিখিবা মী মশিং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অদু থোক্লকখিবনি।

মশক মমিং পন্নিংদবা পুলিস অমদি থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা হায়খি, মদুদি অশোকপা মীওই কয়া ফিভম লুনা লৈবনা ব্লাষ্ট অদুদা শিখিবা মী মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ। সুইসাইদ বোম্মর অমনা থৌবা এক্সপ্লোসিবশিং য়াওবা কার অমা হান্না প্রসিদেন্সিএল বিল্ডিংশিংগী অহানবা সেক্যুরিটি গেটতা পোকখায়হল্লবা মতুংদা হার্সালে ষ্টেটকী ভাইস প্রসিদেন্টগী রেসিদেন্সিএল হোমদগী পংলাপ লাপ্তুনা ট্রক অমদা য়াওবা এক্সপ্লোসিবশিং পোকখায়হনখিবনি হায়না হিরন রিজনগী গভর্ণর অলি জৈদে ওস্মাননা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা তমথীরবা থবক থৌওংশিং অদুনা ঐখোয়বু মখোয়গী মায়োক্তা মনিং হন্দুনা চৎহনবা ঙম্লোই। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক লমদম অদুদা এন্টি-টেরর ওপরেসনশিং কনখৎলগনি হায়নসু চেকশিন্না ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনসু কন্দেম তৌখিবশিংগী মনুংদা হিরান রিজনগী দিপ্যুটি গভর্ণর অমসুং হেদ মিনিষ্টরসু য়াওখি। সোমালিয়াদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনরিবশিংবু অরেম্বা তাহন্নবগী পান্দমদা পরিং নাইনা চথরকখিবা এটেকশিং অদুবু পিএমনা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা ইমজেন্সি সেক্যুরিটি মীফম অমনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি। খ্বাইদগী নৌবা এটেকশিং অদু থাংজ নুমিত্তা গভর্ণমেন্ট অমসুং ইন্টরনেসনেল পার্টনরশিংনা অল-সাবাবকী সেনিয়র লিদর অব্দুলাহি নাদি হাৎখিবা মতুং নুমিৎ নীনি ফাদ্রিঙৈদা চথরকখিবনি।


# মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী রেপরেসনগী মতাংদা পোলেন্দনা দিপ্লোমেটিক নোট সাইন তৌখ্রে

ৱারসো, ওক্তোবর ৪ (এজেন্সী):
মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখিবগীদমক পোলেন্দনা জমর্নিদগী পীফম থোকপা শেনফমশিং পীরক্নবা খঙহনবা দিপ্লোমেটিক নোট অমা পোলিস ফোরেন মিনিষ্টর জাবিদন্যু রাওনা সাইন তৌখ্রে।


সেপ্টেম্বর ১ দা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমদা গভর্ণমেন্ট ওফ পোলেন্দনা লান অদুদা লৈবাক অসিগী মী অমদি মেটরেল শিহনখিবা অমদি মাঙ তাকখিবশিং অদু শেল ওইনা পাবদা যুরো ট্রিলিয়ন ১.৩ (দোল্লর ট্রিলিয়ন ১.২৭) দা লেপ্লে হায়না পনখি।

অদুম ওইনমক জমর্ন গভর্ণমেন্টনদি কুমজা ১৯৫৩ দা পোলেন্দদা ৱার রেপরেসনগী রাইট হন্দোকখিবগা লোয়ননা ইস্যু অসি লোইশিনখ্রে হায়খি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা রাওনা হায়খি, মদুদি দিপ্লোমেটিক নোট অদুদা নাকল অনীমক্না কুমজা ১৯৩৯ দগী ১৯৪৫ ফাওবদা জমর্ননা পোলেন্দদা লান্দাবগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু পায়শিন্দুনা থম্বদগী লাকখিবা ইফেক্তশিং অদুবু তুং কোইনা চৎনগদবা মপুং ফাবা ফাইনেল লিগেল অমসুং মেটরেল রিগুলেসন অমা লাকহন্নবগী মায়কৈদা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না মহাক্না থাজবা থমখি।

পোলেন্দদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা জমর্নিগী মহাক্কী লেঙমান্নবা অনালেনা বেরবোক্কা ৱারসোদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা উন্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা পোলিস ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা মখা তারদুনা জমর্নিনা রেপরেসনশিং পীবা অদুনা জষ্টিস অমসুং অশেংবদা যুম্ফম ওইরগা পোলিস-জমর্নিগী মরী শেমগৎপদা মতেং পাঙলগনি হায়খি।

# সিরিয়ানা টর্কিবু থক্নবা ঈশিং সপ্লাই থদৎপগী মরাল শীখ্রে

দমাস্কস, ওক্তোবর ৪ (এজেন্সী):
সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা সিটি হাসাকাদা টর্কিজ ফোর্সশিংনা থা অনী চুপ্পা থক্নবা ঈশিং সপ্লাই লেপহল্লে হায়না সিরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মরাল শীখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি টর্কিজ ফোর্সশিং অমসুং টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিংনা মীওইবগী মীনুংশি য়াওদবা থৌওং কয়া চথদুনা থা অনী চুপ্পা হাসাকাদা থক্নবা ঈশিং ফঙহনদবদগী লমদম অদুদা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লায়না কয়া শন্দোকহল্লে। সিরিয়ানা ক্রাইম অসিবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মদুদগী ওইরল্লিবা ফিভমশিং অদুগী থৌদাং টর্কিজ গভর্ণমেন্টনা লৌফম থোকই হায়খ্রে।

# লাউস অমসুং ক্যুবানা হিরম কয়াদা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎলগনি

ভেন্টিয়ন, ওক্তোবর ৪ (এজেন্সী):
লাউস অমসুং ক্যুবানা এদুকেসন, হেল্‌ঠ অমসুং এগ্রিকলচরগী লমশিংদা কো ওপরেসন হেনগৎহন্নবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং খুৎয়েক পীনখ্রে।



হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউসকী কেপিটেল ভেন্টিয়নদা খুৎয়েক পীনবগী থৌরম অদু লাউসকী পিএম ফমখাম বিফাবা অমসুং লৈবাক অসিদা খোঙচৎ অমদা লৈরিবা ক্যুবাগী মহাক্কী লেঙমান্নবা মেনুয়েল মারেরো ট্রুসনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

লাউসকী প্রাইম মিনিষ্টরনা ইনভাইট তৌবদগী ক্যুবাগী পিএম মারেরো নোংমাইজিং নুমিত্তগী লৈবাকপোকপা ফাওবগী খোঙচৎ অমদা লাউসতা লাক্লিবনি হায়না লাউসকী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়র্সনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

এগ্রিমেন্টশিং অদু এদুকেসন অমসুং সাইন্টিফিক রিছর্স, এগ্রিকলচর অমসুং হেল্‌ঠকী লমশিংদা কো ওপরেসন পীনবা অমসুং নেসনেল যুনিভর্সিটি ওফ লাউস অমদি যুনিভর্সিটি ওফ হাবানাগী মরক্তা পায়খৎলিবা এদুকেসন প্রোজেক্টশিংগা মরী লৈনৈ। মমাঙদা লাউসকী হেল্‌ঠ ওফিসলশিং মতেং পাঙখিবা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা স্কোল্লারশিপশিং পীখিবা, ইন্টরনেসনেল ইভেন্টশিংগী কম্পিটিসনশিংগীদমক লাউসকী বোক্সরশিংবু ট্রেনিং পীনবগীদমক ট্রেনর অমা থারকখিবা অমদি অতৈ লম কয়াদা মতেং পাঙখিবগীদমক্তা ফংখম্না ক্যুবান গভর্ণমেন্টবু থাগৎখি।

লাউসতা খোঙচৎ অমা লাকপদগীদমক মহাক্না মারেরো অমসুং মহাক্কী দেলিগেসনবু থাগৎখি অমদি মতম শাংলক্নবা লাউস অমসুং ক্যুবাগী মরুপ মপাং ওইবগী মরীশিং কো ওপরেসন হেন্না চেৎশিল্লকপগা লোয়ননা হেন্না প্রদক্তিব ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা মহাক্না ফোঙদোকখি।

মারেরোনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউসকী প্রসিদেন্ট থোংলুম সিসোলিগসু উন্নখি। উন্নবা অদুদা লাউসকী প্রসিদেন্টনা হায়খি, মদুদি লাউসনা মখা তানা ক্যুবাগা মরুপ মপাং ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা হোৎনদুনা কুমজা ২০২৪ দা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নখিবগী ৫০ শুবা কুমওনগী সেলেব্রেসনগীদমক শেম শারকপগা লোয়ননা লৈবাক অনীমক্কী মীয়ামদা মশক থোক্না কান্নবা ফঙহল্লগনি।

ক্যুবাগী পিএমনা হায়খি, মদুদি ক্যুবানা মতম চুপ্পদা লাউসকা লৈনরিবা মরুপ মপাং ওইবা অমদি কো ওপরেসন পীনবদা যুম্ফম ওইবা মরীশিং হেন্না চাওথোকপগা লোয়ননা চেৎশিল্লগনি হায়বগী থাজবা নাকল অনীমক্না ফোঙদোক্লখি।

# মেনলেন্দ চাইনাদা অনৌবা কোভিদ কেস ২৫০ থেংনখ্রে

বৈজিং, ওক্তোবর ৪ (এজেন্সী):
হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চাইনিজ মেনলেন্দদা মপানগী কন্টেক্টকা মরী লৈনদবা অনৌবা কোভিদ কেস ২৫০ রিপোর্ট তৌখ্রে। নেসনেল হেল্‌ঠ কম্মিসনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কোভিদ ১৯ গী অনৌবা কেসশিংদুগী মনুংদা কেস ১৫১ দি ইন্নর মোঙ্গোলিয়াদা থেংনখিবনি অমসুং কেস ২৭ না গ্বাংদোংদা থেংনখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাইওংশিং উত্তবা লোকেল করিয়র ৬২৬ নৌনা আইদেন্টিফাই তৌখি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা চাইনিজ মেনলেন্দদা পুন্না কোভিদ ১৯ পেসেন্ট ২৬৬ লায়েংবদগী ফদুনা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখি। মখোয় থারগা লায়েংবদি ফদুনা হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখিবা কোভিদ ১৯ পেসেন্টশিংগী অপুনবা মশিং ২৪৩,১৫১ শুরে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোভিদ ১৯ গা মরী লৈননা মীওই অমত্তা শিখিদে। হৌজিক ফাওবদা মেনলেন্দ চাইনাদা লায়না অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৫২২৬ শুখ্রে।

# ফিলিপিন্স অমসুং যুএসনা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলস পাঙথোকখ্রে

মনিলা, ওক্তোবর ৪ (এজেন্সী):
ফিলিপিন্স অমসুং যুএসকী ট্রুপ ৩০০০ হেনবনা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলস পরিং নাইনা পাঙথোকপা হৌখ্রে। লৈবাক অনীগী অপুনবা মিলিটরি দ্রিলশিং অদু কম্বাইন্দ টেক্টিকেল রেদিনেস পাঙথোকপদা মখোয়গী ইন্টর ওপরেবিলিটিগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোল্লিবনি হায়রি।

ফিলিপিন্স নেভিগী এক্তিং চীফ রিয়র এদমিরেল বর্নাদ ভালেন্সিয়ানা হায়খি, মদুদি অয়াম্বনা মেরিনশিং ওইবা ফিলিপিন্সকী ট্রুপ ৬৩০ অমসুং যুএসকী মেরিন লান্মী ২৫৫০ না নুমিৎ ১২ নিরোম চুপ্পা চথগদবা চহীগী মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং অদুদা শরুক য়ারি।

কম্মান্দাক ৬ হায়না মিংথোনবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলস অদুদা জপানিজ অমসুং সাউথ কোরিয়ন ট্রুপশিংসু ওবজার্বরশিং ওইনা শরুক য়ারি।

মেট্রো মনিলা, মরু ওইবা লুজোন ঈথৎ অমদি পলাৱান প্রোভিন্সতা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ট্রেনিং সাইটশিংদা চথরিবা চহী অসিগী এক্সর্সাইজ অদু ট্রান্সনেসনেল ক্রাইম কন্ট্রোল তৌবা, কাউন্টর টেররিজম অমদি অতৈ নন-ট্রেদিস্নেল সেক্যুরিটি রোলশিং পাঙথোকপদা মীৎয়েং থম্লগা চথরিবনি হায়না থৌরম অদু হৌদোকপদা ভেলেন্সিয়ানা ফোঙদোকখি।

যুএস সাইদকী এক্সর্সাইজ দিরেক্তর রিয়র এদমিরেল দিরেক ট্রিংনা হায়খি, মদুদি চহী অসিগী এক্সর্সাইজশিং অদুদা কোষ্টেল দিফেন্স, এম্ফিবিয়স ওপরেসনশিং অমদি লাইভ-ফায়র ট্রেনিং য়াওগনি।

# পাকিষ্টান অসি চাদা অমখক্কী রিপব্লিকনি: মিফতা ইস্মাইল

করাচি, ওক্তোবর ৪ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর মিফতা ইস্মাইলনা সিটিজন অয়াম্বদা সোসল মোবিলিটিগী খুদোংচাবা ফঙহন্দবা চাদা অমখক্কী রিপব্লিকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



দোনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মেনেজমেন্ট এসোসিএসন ওফ পাকিষ্টান (এম এ পি) না শীন্দুনা পাঙথোকপা এৱার্দস সেরেমোনি অমদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না ফোঙদোকখি।

লোইদা লৈরুবদগী হন্দক্তা ইসাক দারনা হল্লক্ত্রিঙৈ মমাঙ থা তরুক চুপ্পা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদা প্লেস হোল্ডর অমা ওইখিবা ইস্মাইলনা হায়খি, মদুদি পাকিষ্টানগা মরী লৈননা য়াম্না লানবা খরা লৈরে। লৈবাক অসি চাদা অমখক্তমক ওইবা এলিটনা কন্ট্রোল তৌরি।

যুএসকী বিলিনিয়রশিং বিলগেটস অমসুং ষ্টিব জোবসপু খুদম চাংদমশিং ওইনা পনবগা লোয়ননা ইস্মাইলনা ইনাক খুনবা পাকিষ্টানি পুম্নমক মীরোল কয়াদগী থংথরক্লবা লন থুমশিংগী বেনিফিসরিশিংনি। অমরোমদা যুএসকী মথক্তা পল্লিবা বিলিনিয়রশিং অসিদি মশাগী ওইবা টেলেন্টশিং শীজিন্নদুনা মখোয়গী লন থুমশিং অদু শেমগৎ শাগৎচখিবনি।

ইস্মাইলনা প্রেসকী মায়কৈদগী হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীখিদে অমদি কোর্পোরেট এন্টিটি কয়াদা এৱার্দশিং অমসুং ট্রোফি কয়া য়েন্থোক্লবা মতুংদা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি মমাঙগী গভর্ণমেন্টনা টেম্পররি ইকনোমিক রি ফাইনান্স ফেসিলিটিগী মখাদা চাদা অমখক ওইবা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা পাকিষ্টানিশিংদা লুপা বিলিয়ন ৫৮০ য়েন্থোকখি। লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টমক্না চাদা ১৫ গী ইন্টরেষ্টতা শেল পুবা ওইরবসু ইনাক খুনবশিংদদি শুপ্নগী চাদা অমখক্তা শেনফমশিং অদু ফঙহনখি।

লোকেল বিজিনেস গ্রুপশিংনা শুপ্নগী দোমেষ্টিক কঞ্জ্যুমরগীদমক পোথোকশিং পুথোকপনা মরম ওইদুনা লিক্যুদিটি ইঞ্জেক্সন অদুনা মেছিন্নরিশিং পুশিল্লকপগী চাং হেনগৎহনখি অমদি করেন্ট একাউন্ট দিফিজিট চাওথোকহনখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মিংশিং পন্দবীদা মহাক্না হায়খি, মদুদি মহাক্না ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা প্রোলিপ্রোপাইলিন টন ৫০০,০০০ গী ফেক্তরি অমা লিংখৎনবগী সপোর্ট পীবিনবা কোঙ্গোমেরেট অমনা হায়জরকখি। কোর্পোরেসন অদুনা চাইনাগী লেঙমান্নবশিংগা কম্পিটিসন তৌবা ঙম্লোইদবনা মরম ওইদুনা মখোয়না চহী ২০ চুপ্পা চাদা ২০ দ্যুটি প্রোটেক্সন পীবিনবসু দিমান্দ তৌখি।

এক্সপোর্টশিংগী খুথাংদা দোল্লর অমত্তা তানবা তৌদবীদা চহী কয়া লিশাং শিংনা ইম্পোর্টশিংনা মরম ওইদুনা ফোরেন একচেঞ্জ অরেম্বদা মাঙহল্লিবা কান্নদবা পোলিসি চল্লাইরিবা ওটো সেক্তরবুসু মহাক্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা উৎখি।